# রেষ্টলর দহিয়া ফাইনেল য়ৌদুনা গোল্ডগী শেম শাখ্রে, জেভলিন থ্রোৱর নিরজ চোপ্রা ফাইনেল রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে, বোক্সর লোভলিনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখ্রে, নুপীগী হোক্কী টিম মায়থীদুনা ব্রোঞ্জ মেদলগী শেম শাখ্রে

টোকিও, ওগষ্ট ০৪ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী নুপাগী রেষ্টলর রবি কুমার দহিয়ানা কিলোগ্রাম ৫৭কী ফ্রীষ্টাইল ইভেন্টতা সেমীফাইনেল মায় পাক্তুনা ফাইনেল য়ৌখিবদগী গোল্ড মেদলগীদমক শেম শাখ্রে। জেভলিন থ্রোৱর নিরজ চোপ্রা ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা মকোক থোংদুনা ফাইনেল রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে। নুপীগী বোক্সর লোভলিনা বোর্গোহেন সেমীফাইনেলদা মায়থীহৌবদগী ব্রোঞ্জ মেদল ফংখ্রে। অদুগা নুপীগী হোক্কীগী টিম সেমীফাইনেলদা মায় পাকপা ঙমখিদবদগী ব্রোঞ্জ মেদল ফংনবগীদমক শেম শারি।

রেষ্টলিং : টোকিও ওলিম্পিক গেমস ২০২০গী নুপাগী রেষ্টলিংগী কিলোগ্রাম ৫৭কী ফ্রীষ্টাইল ইভেন্টতা ঙসি ইন্দিয়াগী রেষ্টলর রবি কুমার দহিয়ানা কজাখষ্টানগী রেষ্টলর নুরিস্লাম সনায়েবকা লম্বা তৌনবা সেমীফাইনেল বাউট অদুদা 'ভিক্টরি বাই ফোল'তা মায় পাক্তুনা ফাইনেল য়ৌবদগী গোল্ড মেদল ফংনবগীদমক শেম শাখ্রে।

দহিয়ানা ইন্দিয়াগী রেষ্টলিং পুৱারীদা কুমজা ২০১২দা লন্দনদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমসতা সুশিল কুমারনা সিলভর মেদল ফংখিবা অদুগী মতুং ফাইনেল য়ৌবা ঙম্বা অনীশুবা রেষ্টলর ওইরি। মহাক্না গোল্ড মেদল ফংনবগীদমক্তা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন অনীরক ওইবা ঙমখ্রবা রসিয়ন ওলিম্পিক কম্মিটিগী রেষ্টলর জাবুর উগ্বেভকা লম্বা তৌনরগনি।

ঙসিগী সেমীফাইনেল বাউট অদুদা রবি কুমার দহিয়া পোইন্ট ৩-৯দা শোত্থদুনা লৈরম্বনি। অদুবু মহাক্না কজাখষ্টানগী রেষ্টলর অদুবু ভিক্টরি বাই ফোলদা ঙম্বদগী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

নুপাগী কিলোগ্রাম ৮৬কী বাউটতা ইন্দিয়াগী দিপক পুনিয়া সেমীফাইনেলদা মায়থীদুনা ব্রোঞ্জ মেদলগী খূদোংচাবা অমা ফংলি। অদুবু নুপীগী অন্সু মালিক কিলোগ্রাম ৫৭তা অহানবা রাউন্দ মায়থীবা নংখি।

এথলেটিক্স : ইন্দিয়াগী ওলিম্পিক কন্টিঞ্জেন্ট অসিদা মেদল ফংবগী অচৌবা ৱাখল্লোন অমদা পানরিবা নুপাগী জেভলিন থ্রোৱর নিরজ চোপ্রানা ঙসি অয়ূক অঙনবদা পাঙথোকখিবা ক্বালিফিকেসন রাউন্দগী গ্রুপ এদা খ্বাইদগী মকোক থোংদুনা ফাইনেল রাউন্দ য়ৌবদগী মেদল ফংবগী খূদোংচাবা লৈখ্রে।

মশাগী চহী ২৩দা ঙাইরিবা নিরজ চোপ্রানা ঙসি নুপাগী জেভলিন থ্রো ইভেন্ট অদুগী ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা মিটর ৮৬.৬৫ লংদুনা গ্রুপ এগী মকোক ওইখিবনি। ক্বালিফিকেসন রাউন্দ অদুদা মিটর ৮৩.৫০ লংলগা ফাইনেল রাউন্দ য়ৌগদবা অদুদগী নিরজ চোপ্রানা মিটর ৩ হেন্না লংদুনা ফাইনেল রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিবনি।

বোক্সিং : ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ৬লক ওইবা ঙমখ্রবী এম সী মেরি কোম টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা মেদল ফংবগী খূদোংচাবা লৈখিদ্রবা মতুং লোভলিনা বোর্গোহেননা নুপীগী কিলোগ্রাম ৬৯গী ঙসি পাঙথোকখিবা সেমীফাইনেল মেটচতা টর্কিগী বোক্সর বুসেনাজ সুরমেনেলিগী মখূৎতা মায়থীহৌবদগী ব্রোঞ্জ মেদল ফংখিবনি। ইন্দিয়াগী অৱাং-নোংপোক ষ্টেটকী মনুং চল্লিবা অসামদগী হৌখিবা লোভলিনা বোর্গোহেননা টোকিও ওলিম্পিক গেমস অসিদা ৱেল্টরৱেথ (কেজি ৬৯)গী গোল্ড মেদল ফংগনি হায়না কন্না পানখিবী টর্কিগী বোক্সর বুসেনাজ সুরমেনেলিগা লম্বা তৌনরকপা অদুদা অহানবা রাউন্দদগী হৌরগা পোইন্ট শোত্থদুনা লৈখি। বোর্গোহেন ঙসি লম্বা তৌনখিবা সেমীফাইনেল বাউট অদুদা ষ্টেন্দিং কাউন্ট অনীরক তৌখি। বাউট অদু লোইশিল্লকপদা বোর্গোহেন সুরমেনেলিগী মখূৎতা ০-৫দা মায়থীখ্রবসু ব্রোঞ্জ মেদলদি ফংবা ঙমখি।

হোক্কী : টোকিওগী নোর্থ পিটচ হোক্কী ষ্টেদিয়মদা ঙসি নুংথিল নুপীগী সেমীফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়া অমসুং অর্জেন্টিনা লম্বা তৌনখিবা অদুদা ইন্দিয়াগী টিম পাঞ্জল ১-২দা মায়থীখিবদগী ব্রোঞ্জ মেদলগীদমক্তা শেম শাখি।

ঙসিগী মেটচ অদু হৌরকপদা ইন্দিয়ানা য়াম্না ফজবা মওংদা শুপ্পগী মিনট ২খক চঙশিল্লকপদা গুরজিৎ কোরনা পেনাল্টি কোর্নর অমগী মতেংনা অহানবা পাঞ্জল অদু চল্লগা অর্জেন্টিনাবু অহানবা ক্বার্টর লোইশিল্লকপদা ১-০দা হেন্দুনা লৈখি।

অনীশুবা ক্বার্টরগী হৌরকপদা অর্জেন্টিনাগী মায়কৈদগী কেপ্টেন নোইল বারিওনিভোনা পেনাল্টি কোর্নর অমা ফংখিবা অদু পাঞ্জল ওন্থোক্লগা ইক্বেলাইজর ফংদুনা টিম অনীমক পাঞ্জল ১-১দা লৈনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ৬ চঙশিল্লকপদা মখা তানা অর্জেন্টিনাগী পেনাল্টি কোর্নর অমদা বারিওনিভোনা পাঞ্জল ১গা চল্লগা ২-১দা হেনখিবা অদু ইন্দিয়ানা হন্দাকপা ঙমখিদবদগী মায়থীদুনা ব্রোঞ্জ মেদল মেটচকীদমক গ্রেট বৃটেনগা থেংনরগনি।

গোল্ফ : ইন্দিয়াগী নুপীগী গোল্ফর অদিটি অশোকনা ইন্দিভিজ্যুএলগী অহানবা রাউন্দদা অনীশুবা পোজিসনদা লৈদুনা মেদল ফংবা য়াবগী খূদোংচাবা অদু লৈহনবা ঙমখ্রে।

**হয়েং ইন্দিয়াগী ইভেন্টশিং**

১. নুপীগী হোক্কী ব্রোঞ্জ মেদলগীদমক ইন্দিয়া অমসুং জর্মনি (অয়ূক পুং ৭)

২. নুপাগী কিলোমিটর ২০গী ৱাক রেসকী ফাইনেল রাউন্দদা ইন্দিয়াগী কোলোথুম (নুংথিল পুং ১)

৩. রেষ্টলিংগী রবি কুমারনা কিলোগ্রাম ৫৭কী ফাইনেল মেটচ শান্নগনি (নুংথিল পুং ৪.২০) অমসুং দিপক পুনিয়ানা রেপিজি রাউন্দদা ব্রোঞ্জ মেদলগীদমক শান্নগদৌরি।






**Tokyo Olympic Games Medal Tally**

| Rk | Country | G | S | B | T |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | China | 32 | 22 | 16 | 70 |
| 2 | United States | 25 | 31 | 23 | 79 |
| 3 | Japan | 21 | 7 | 12 | 40 |
| 4 | Great Britain | 15 | 18 | 15 | 48 |
| 5 | Australia | 15 | 4 | 17 | 36 |
| 6 | ROC | 14 | 21 | 18 | 53 |
| 7 | Germany | 8 | 8 | 16 | 32 |
| 8 | France | 6 | 10 | 9 | 25 |
| 9 | Italy | 6 | 9 | 15 | 30 |
| 10 | Netherlands | 6 | 8 | 9 | 23 |
| 11 | South Korea | 6 | 4 | 9 | 19 |
| 12 | New Zealand | 6 | 4 | 5 | 15 |
| 13 | Cuba | 5 | 3 | 4 | 12 |
| 14 | Hungary | 4 | 5 | 3 | 12 |
| 15 | Canada | 4 | 4 | 7 | 15 |
| 16 | Brazil | 4 | 3 | 8 | 15 |
| 17 | Czech Republic | 4 | 3 | 1 | 8 |
| 18 | Switzerland | 3 | 4 | 5 | 12 |
| 19 | Poland | 3 | 3 | 4 | 10 |
| 20 | Croatia | 3 | 3 | 2 | 8 |
| 21 | Sweden | 2 | 5 | 0 | 7 |
| 22 | Chinese Taipei | 2 | 4 | 5 | 11 |
| 23 | Georgia | 2 | 4 | 1 | 7 |
| 24 | Denmark | 2 | 2 | 3 | 7 |
| 25 | Norway | 2 | 2 | 1 | 5 |
| 26 | Jamaica | 2 | 1 | 2 | 5 |
| 27 | Iran | 2 | 1 | 1 | 4 |
| 27 | Slovenia | 2 | 1 | 1 | 4 |
| 29 | Ecuador | 2 | 1 | 0 | 3 |
| 30 | Greece | 2 | 0 | 1 | 3 |
| 30 | Uzbekistan | 2 | 0 | 1 | 3 |
| 32 | Kosovo | 2 | 0 | 0 | 2 |
| 32 | Qatar | 2 | 0 | 0 | 2 |
| 34 | Spain | 1 | 4 | 5 | 10 |
| 35 | Romania | 1 | 3 | 0 | 4 |
| 35 | Venezuela | 1 | 3 | 0 | 4 |
| 37 | Ukraine | 1 | 2 | 8 | 11 |
| 38 | Kenya | 1 | 2 | 2 | 5 |
| 39 | Hong Kong | 1 | 2 | 0 | 3 |
| 39 | South Africa | 1 | 2 | 0 | 3 |
| 39 | Slovakia | 1 | 2 | 0 | 3 |
| 42 | Serbia | 1 | 1 | 4 | 6 |
| 43 | Austria | 1 | 1 | 3 | 5 |
| 43 | Indonesia | 1 | 1 | 3 | 5 |
| 45 | Belgium | 1 | 1 | 1 | 3 |
| 45 | Ethiopia | 1 | 1 | 1 | 3 |
| 45 | Uganda | 1 | 1 | 1 | 3 |
| 48 | Philippines | 1 | 1 | 0 | 2 |
| 48 | Tunisia | 1 | 1 | 0 | 2 |
| 50 | Turkey | 1 | 0 | 5 | 6 |
| 65 | India | 0 | 1 | 2 | 3 |

## য়ু এস এগী সিদনি মেকলোগ্লিননা নুপীগী মিটর ৪০০গী হর্দল লমজেলদা ৱর্ল্ড রেকোর্দ থমখ্রে




টোকিও, ওগষ্ট ০৪ (এজেন্সী):
য়ু এস এগী নুপী এথলিট সিদনি মেকলোগ্লিননা ঙসি টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী নুপীগী মিটর ৪০০গী হর্দল লমজেলদা অনৌবা ৱর্ল্ড রেকোর্দ অমা থমদুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রে।

নীংশিংবা য়াবদি, হায়রিবা নুপীগী মিটর ৪০০গী হর্দল লমজেল অদুগী হান্না থমখিবা ৱর্ল্ড রেকোর্দ অদুসু সিদনি মেকলোগ্লিন মশামক্না চহী অসিগী জুন ২৭তা থমখিবনি। মহাক্না ঙসি লমজেল অদুদা সেকেন্দ ৫১.৪৬ চেন্দুনা হান্না মশামক্না থমখিবা ৱর্ল্ড রেকোর্দ অদুদগী সেকেন্দ ০.৪৪ য়াঙখৎনা চেল্লগা গোল্ড মেদলসু লৌবা ঙমখিবনি।

মিটর ৪০০গী নুপীগী হর্দল লমজেল অদুদা য়ু এস এগী সিদনি মেকলোগ্লিননা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখ্রবা মতুং সিলভর মেদল অদুসু মহাক্কী লৈবাক য়ু এস এগী অতোপ্পা এথলিট দালিলা মহমদনা সেকেন্দ ৫১.৫৮দা চেন্দুনা ফংবা ঙমখি। দালিলা মহমদসু হান্না লৈখিবা সিদনিগী ৱর্ল্ড রেকোর্দ অদু থুগায়বা ঙমখি। লমজেল অদুগী ব্রোঞ্জ মেদল অদুনা নেদরলেন্দসকী এথলিট ফেমকে বোলনা সেকেন্দ ৫২.০৩দা চেল্লগা ফংবা ঙমখি।

নুপাগী মিটর ৮০০গী লমজেলদা কেনিয়াগী এথলিট অনীনা গোল্ড অমসুং সিলভর মেদল অনী লৌমিন্নখি। ইমান্যুএল কোরিরনা লমজেল অদু মিনট ১:৪৫.০৬তা চেন্দুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি। অদুগা মহাক্কী লৈবাক অদুগী অতোপ্পা এথলিট ফর্গুসন রোটিকনা মিনট ১:৪৫.২৩দা চেল্লগা সিলভর মেদল অদু ফংখি। পোলেন্দগী এথলিট পেট্রিক দোবেকনা মিনট ১:৪৫.৩৯দা ব্রোঞ্জল মেদল অদু ফংবা ঙমখি।

## এ এফ আইনা চহী ২০ মখাগী ৱর্ল্ড এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপকীদমক মেম্বর ২৮ গী মমিং লাউথোকখ্রে

ন্যু দেল্লী, ওগষ্ট ০৪ (এজেন্সী):
থা অসিগী ওগষ্ট ১৭তগীনা ২২ ফাওবা কেনিয়াগী কোনুং নাইরোবিদা পাঙথোক্কদৌরিবা চহী ২০ মখাগী ৱর্ল্ড এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়ারুনবা এথলেটিক্স ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা মেম্বর ২৮না শাবা ইন্দিয়াগী টিম মেম্বরশিংগী মমিং লাউথোকখ্রে।

ইন্দিয়াগী ওইনা এথলেটিক্সকী ওইনা মমিং লৈরবী পি টি উষানা চ্যেরমেন ওইখিবা এথলেটিক্স ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী সেলেক্সন কম্মিটিগী মায়কৈদগী দিসিপ্লিন ১৯দা শরুক য়াগদৌরিবা ইন্দিয়াগী মেম্বর ২৮গী মমিং অদু লাউথোকখিবনি। নুপাগী এথলিট ১৭না দিসিপ্লিন ১১দা শরুক য়াগনি। অদুগা নুপী এথলিট ১১না ইভেন্ট ৮দা শরুক য়াগদৌরি।

নুপাগীদা স্রিনিভাস (মিটর ২০০), অনু কুমার (মিটর ৮০০), সুনিল (মিটর ৩০০০ ষ্টিপল চেষ্ট), টেজাস (মিটর ১১০ হর্দলস), হর্দিপ অমসুং কামল্লে (মিটর ৪০০ হর্দলস), অমিট (মিটর ১০,০০০ রেস ৱাক), অমন্দিপ (শোট পুট), রানা অমসুং জয় (জেভলিন থ্রো), বিপিন (হেম্মর থ্রো), দোনাল্ড (ট্রিপল জম্প) অমসুং মিটর ৪x৪০০ রিলেদা ভারত, অব্দুল, সুমিট অমসুং নগরজুননননি। নুপীগীদা মিটর ৪০০ অমসুং ৪x৪০০ রিলেদা প্রিয়া মোহন অমসুং সুমি, মিটর ৮০০ অমসুং মিটর ১৫০০দা পুজা, মিটর ৫০০০গীদা অনকিতা ধ্যানি, মিটর ১০০গী হর্দলদা অগাসারা অমসুং আন তোমি, লোং জম্পতা সাইলানি সিংহ, মিটর ১০,০০০গী রেস ৱাকতা বলজিৎ বাজুৱা অমসুং মিটর ৪x৪০০ রিলেদা পায়ল দিপান্সি অমসুং কুঞ্জানি।

## পোলেন্দগী এথলিট ৱোজচেক নোৱিকিনা নুপাগী ওলিম্পিক হেম্মর থ্রো গোল্ড লৌখ্রে




টোকিও, ওগষ্ট ০৪ (এজেন্সী):
৩২শুবা ওলিম্পিক গেমসকী ঙসি টোকিওদা পাঙথোকখিবা ট্রেক এন্দ ফিল্ডগী দিসিপ্লিন অমা ওইরিবা নুপাগী হেম্মর থ্রো ইভেন্টতা পোলেন্দগী ৱোজচেক নোৱিকিনা মিটর ৮২.৫২ লংদুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রে।

হেম্মর থ্রোৱর ৱোজচেক নোৱিকি কুমজা ২০১৬ রিও ওলিম্পিক গেমসতা নুপাগী হেম্মর থ্রো ইভেন্টতা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখিবনি। মদুগী মতুং ৱর্ল্ড এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপকী ব্রোঞ্জ মেদল ৩সু ফংবা ঙমখ্রবা এথলিটনি। মহাক্না ঙসিগী কম্পিটিসন অদুদা মিটর ৮০ হেন্না লংবা ঙমদুনা অতোপ্পা এথলিটশিংদগী মাঙজিল থারগা লৈখি।

ঙসিগী ইভেন্ট অদুদা নোৱিকিনা মিটর ৮২.৫২ লংদুনা মহাক্কী করিয়রগী খ্বাইদগী ফজবা থ্রো অদু ওইরগা গোল্ড মেদল অদু লৌবা ঙমখি। হায়রিবা ইভেন্ট অদুগী ওইনা নোরৱেগী এথলিট ঐবিন হেনরিক্সননা নোরৱে লৈবাক্কী অনৌবা রেকোর্দ অমা থম্বগা লোয়ননা মিটর ৮১.৫৮ লংদুনা সিলভর মেদল অদু লৌখি। অদুগা ব্রোঞ্জ মেদল অদুনা অতোপ্পা পোলেন্দগী এথলিট পাৱেল ফাজদেকনা মিটর ৮১.৫৩ লংলগা ফংবা ঙমখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী মিটর ৩০০গী ষ্টিপল চেষ্ট কম্পিটিসনদা উগান্দাগী পেরুথ চেমুতাইনা মিনট ৯:১.৪৫দা চেন্দুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি। হায়রিবা কম্পিটিসন অদুদা য়ু এস এগী কোটনি ফ্রেরিক্সনা মিনট ৯:০৪.৭৯দা চেল্লগা সিলভর ফংখ্রবা মতুং কেনিয়াগী এথলিট হেভিন কিয়েংনা মিনট ৯:০৫.৩৯দা চেল্লগা ব্রোঞ্জ মেদল অদু লৌবা ঙমখি।

## গ্রিককী আর্টিষ্টিক স্বিম্মিং টিমগী মেম্বর ৫ কোভিদ পোজিটিভ ওইরে

টোকিও, ওগষ্ট ০৪ (এজেন্সী):
জপানগী কোনুং টোকিওদা চত্থরিবা ৩২শুবা সম্মর ওলিম্পিক গেমস অসিগী মনুং চন্না স্বিম্মিং দিসিপ্লিনগী ইভেন্ট অমা ওইরিবা আর্টিষ্টিক স্বিম্মিংদা শরুক য়ানবা লাকখিবা গ্রিস লৈবাক্কী মেম্বর ৫ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে হায়না টোকিও ২০২০ ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী মায়কৈদগী ঙসি ফোঙদোরকখ্রে।

ওর্গনাইজিং কম্মিটি অসিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবদা, ঙরাং ফাওবদা গ্রিস লৈবাক্কী আর্টিষ্টিক স্বিম্মর অমদি টিম ওফিসল ১২গী মনুংদা ৫ কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইরকখিবনি হায়রি। মখোয় পূম্নমক ওলিম্পিক ভিলেজদা পূন্না লৈখিবনি। পূন্না মেম্বর ৭ টেষ্ট তৌবদা খরা অমদি হান্না পোজিটিভ ওইরবা মেম্বরশিংগা নক্লনা লৈখিবা মীওইশিংনি হায়না কম্মিটি অসিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি। মখা তাবা লেমহৌরিবা টেষ্ট তৌখিবা মেম্বরশিংগী রিজল্ট অদু ঙাইরি হায়না ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী ৱাঙাংলোয় তাকায়া মসানা পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোরকখি। মহাক্না মখা তারদুনা ফোঙদোকখিবদা, লৈরিবা ফীভম অসিদা লূন্না লৌদুনা গ্রিক নেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিদা মখোয়না ওলিম্পিক ভিলেজদা লৈরিবা মফম অদুদগী হোংদোক্লগা ক্বারন্টিন সেন্টরদা লৈনবা ৱাফম থাঙ্গৎখি।

তাকায়া মসানা ফোঙদোকখিবদা, পোজিটিভ ওইরবা ৫ অমদি অতোপ্পা মীওই ৭ ওলিম্পিক ভিলেজদগী লৌথোক্লগা ক্বারন্টিন ফেসিলিটিদা থমখ্রে হায়না ফোঙদোরকখি। জুলাই হৌরকপদগীনা থা অসিগী ২ ফাওবগী মনুংদা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়ানবা লাকখিবা মীরমগী মেম্বর ৪২,০০০ এয়রপোর্টতা টেষ্ট তৌখি। মদুগী মনুংদা মীওই ১০৫ পোজিটিভ ওইখি।

## মেটচ ৫গী সেরিজগী অহানবা টেষ্ট মেটচতা ইংলেন্দবু ইন্দিয়াগী বোলরশিংনা অহানবা ইন্নিংস অদু রন ১৮৩দা লোইশিনহনখ্রে

নোটিংঘম, ওগষ্ট ০৪ (এজেন্সী):
ইন্দিয়া অমসুং ইংলেন্দনা ঙসিদগী হৌখিবা টেষ্ট ৫গী সেরিজগী অহানবা টেষ্ট মেটচ অদুদা টোস ঙমদুনা ইংলেন্দনা বেটিং হান্না তৌরকপদা ইন্দিয়াগী বোলরশিংনা ফজবা ঙমখিবদগী মখোয়গী ইন্নিংস অদু রন ১৮৩ দা লোইশিনহনখ্রে।

টোস ঙমখিবা ইংলেন্দগী মায়কৈদগী মখোয়গী অহানবা ইন্নিংস শান্নরকপদা স্কোর বোর্দতা রন অমত্তা লৈত্রিঙৈদা ওপনর রোরি বর্নসপু বুমরানা আউট তাহনখি। মখা তারকপা বেটসমেন জেক ক্রাওলি অমদি ওপনর সিব্লেনা রন ৪৩ ফাওবা পুখৎলমখি। ক্রাওলি রন ২৭তা আউট ওইখি। মদুগী মতুং কেপ্টেন জো রুট শান্নবা চঙলকখি। জো রুট অমদি সিব্লেনা রন ২৪ হাপচিল্লগা লৈরিঙৈদা সিব্লে মশাগী রন ১৮দা আউট ওইখি।

৫শুবা বেটসমেন জোনি বার্ষ্টো শান্নবা চঙলকখি। মহাক্না কেপ্টেন জো রুটকা ইংলেন্দগী ইন্নিংস অদুবু শেমগৎনবা হোৎনবদা রন ৬৩ লৈরম্বদগী মখা তাবা রন ৭২ হাপচিল্লগা পূন্না স্কোর ১৩৮ শুহল্লকখি। বার্ষ্টো রন ২৯দা আউট ওইখি। মহাক্কী মহুৎ চঙলকখিবা লোরেন্স বোল ৪ মায়োক্লবদা রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা আউট ওইখি। লোরেন্সকী মহুৎ শিনখিবা জোস বটলরসু রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা আউট ওইখিবদগী ইংলেন্দগী অপূনবা স্কোর ১৪৫ শুরকপদা বেটসমেন ৬ আউট ওইখি। ইন্নিংসকী অপূনবা স্কোর ১৫৫ শুরকপদা ইন্দিয়াগী বোলরশিং অদুবু নীংথিনা মায়োক্লদুনা শান্নবা ঙমখিবা কেপ্টেন জো রুট বোল ১০৮ মায়োক্লবদা ফোর ১১ য়ৈরম্লগা ইন্দিয়াগী বোলর থাকুরগী বোলদা এল বি দব্লিয়ু তাদুনা রন ৬৪দা মহাক্কী ইন্নিংস লোইশিনখি।

জো রুট আউট ওইখিবা ওভর অদুমক্তদা মহাক্কী মহুৎ শিনখিবা রোবিন্সন থাকুরনা অমুক্কা আউট তাহন্দুনা ইংলেন্দগী অহানবা ইন্নিংস অদুগী অপূনবা স্কোর ১৫৫ লৈবা মতমদা বেটসমেন ৮ আউট ওইখি।

ঙসিগী অহানবা টেষ্ট মেটচকী শান্নবা অদুদা ইন্দিয়াগী বোলরশিংনা ইংলেন্দগী বেটসমেনশিং অদুবু খূদুম চন্না শান্নবা ঙমখি। বেটসমেন ৮ আউট ওইখ্রবা মতুং ইংলেন্দগী মায়কৈদগী সামকুরন অমদি খ্রস ব্রোদনা শান্নরকপদা হান্না লৈরম্বা অপূনবা স্কোর ১৫৫ অদুগী মথক্তা রন ৫ খক হাপচিল্লগা ১৬০ য়ৌরকপদা ব্রোদ ইন্দিয়াগী বোলর বুমরানা রন ৪দা আউট তাহনখি। ইংলেন্দগী ১০শুবা বেটসমেন জেমস এন্দরসন শান্নবা চঙলকখি। মহাক্না সামকুরনগা মখা তানা ইন্নিংস অদু শান্নরকপদা এন্দরসন রন ১দা বুমরানা আউট তাহনখিবদগী সামকুরনগী রন ২৭ অদু থারগা রন ১৮৩ দা ইন্নিংস লোইশিনখি।

ইন্দিয়াগী ইন্নিংস হৌরকপদা রোহিট শর্মা অমদি কে এল রাহুলনা আউট ওইদনা রন ৯-৯ লৌরগা লৈখিবদগী ইংলেন্দগী রন ১৬২ শোত্থরগা লৈরি।

## সকুরা অমসুং কোকোনা স্কেটবোর্দিংগী গোল্ড অমসুং সিলভর লৌখ্রে



টোকিও, ওগষ্ট ০৪ (এজেন্সী): ওলিম্পিক গেমসকী য়ূম্বু ওইরিবী জপানগী নহা ওইরিবী মশাগী চহী ১২দা শুরিবী কোকোনা হিরাকিনা স্কেটবোর্দিং কম্পিটিসনদা সিলভর মেদল ফংখ্রে। অদুগা লৈবাক অদুমক্কী অতোপ্পা স্কেটবোর্দর সকুরা য়োসোজুমিনা গোল্ড লৌখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা স্কেটবোর্দিংগী কম্পিটিসন অদুদা জপানগী চহী ১৯ শুরবী সকুরা য়োসোজুমিনা পোইন্ট ৬০.০৯ ফংলগা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিবনি। অদুগা মশাগী চহী ১২দা ঙাইরিবী কোকোনা হিরাকিনা সিলভর মেদল ফংবা ঙমখি। হায়রিবা কম্পিটিসন অদুদা বৃটেনগী স্কাই ব্রাউননা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখি।

টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা অহানবা ওইনা হৌদোকখিবা স্কেটবোর্দিং দিসিপ্লিন অসিদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা ইভেন্টশিংদা জপানগী মায়কৈদগী পূন্না গোল্ড মেদল ৪গী মনুংদা ৩ লৌবা ঙল্লি। হায়রিবা মেদল ফংলিবা এথলিটশিং অসি চহী নৌরিবা শান্নরোয় ঙাক্তনি।

## ঙমখোলান বাইটে লৈখিদবদা অম্ফানা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৪ (ঐচ এন এস):



ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা)গী মায়কৈদগী লোনপি দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা ঙমখোলান বাইটেনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি। ঙমখোলান বাইটে ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী এগজিক্যুটিভ কাউন্সিলগী মেম্বর অমসু ওইরম্বনি। ঙমখোলান বাইটেনা ষ্টেট অসিদা ফুটবোল মশান্না অসি চাউখৎননবা হোৎনবদা লৌরম্বা থৌদাংশিং অদু নীংশিংদুনা লৈখিদ্রবগী মফমদা ইকাই খুম্নবা উৎপগী থৌরম অমা অম্ফানা ঙসি পাঙথোকখি। অম্ফাগী জেনরেল সেক্রেটরিনা ঙসি থাদোরকপা অৱাবা ফোঙদোকপগী চেরোল অদুনা মখা তারদুনা লৈখিদ্রবগী থৱায় মিরেলনা মপূগী খূয়াদা ঈংনা-চিক্লা লৈরুনবা থৌনীখিবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়রি।

## হুয়েন লানলোং নুমীৎ/৫শুবা ফাউন্দেসন দে থৌরম ওগষ্ট ৭তা পাঙথোক্লগনি


ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৪ (ঐচ এন এস):
অপূনবা মণিপুর হুয়েন লানলোং লূপকী মায়কৈদগী থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না থা অসিগী ৭তা লূপ অসিগী মঙারকশুবা ফাউন্দেসন দেগী থৌরমগা লোয়ননা হুয়েন লানলোং নুমীৎ থৌরম পাঙথোক্লগনি হায়না লূপ অসিগী মায়কৈদগী থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

থৌরম অদুদা লমদম অসিদা লৈরিবা হুয়েন লানলোংগীদমক পূন্সি কখোকপীদুনা লাক্লবা শীন্তাক পুরেলশিং, শীন্তাকহলশিং, মহৈ অসিবু য়োকখৎপীদুনা লাক্লিবা শীন্দম শঙ, লূপ কয়ানা মতম কয়াদগী মঙ মঙজরকখিবা অদু ওগষ্ট ৭, কুমজা ২০১৬তা খুমন লম্পাক ফেন্সিং হোলদা কুপ্পা তরেৎ-তরা থোক্লা খন্নরবা মতুংদা অপূনবা মণিপুর হুয়েন লানলোং লূপ (এ এম ঐচ এল এল) শেমখিবনি। মদুগী নুমীৎ অদুবু নীংশিংদুনা থা অসিগী ৭তা মঙারকশুবা লূপ অসি শেমখিবগী ফাউন্দেসন দে পাঙথোকপগা লোয়ননা নুমীৎ অদুবু হুয়েন লানলোং নুমীৎ হায়না শকখঙদুনা লৈঙাক অসিনা পীরিবা কোভিদ-১৯গী চৎন-কাঙলোনশিং অদু ঙাক্লা থৌরম পাঙথোক্কনি হায়না মখা তারক্লি।

চেরোল অসিগী মতুংইন্না, কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎ লৈবনা তোঙান-তোঙানবা হুয়েন লানলোং লূপশিংগী মীহুৎশিংগা পূনবদা খূদোংচাদবনা অচম্বা থৌরম ওইনা এম ঈ ঈ ঐচ য়ু এল এস, হুয়েন লানলোং শঙলেন খোংমন ওক্রম চুথেক্তা পাঙথোক্লগা মশা লোইশঙ অসাম, মেঘলায়া, মণিপুর, মন্দলে (ম্যান্মার)দা অয়ূক পুং ৮ তাবদা হৈকৎ-লৈকৎ তম্বীনবা লূপ অসিগী মায়কৈদগী নীংশিংলক্লি।

ওগষ্ট ৭ অসি হুয়েন লানলোং নুমীৎ হায়না কুমজা ২০১৭তা মণিপুর প্রেস ক্লবতা অহানবা ওইনা মপোক নুমীৎ লেপখিবনি। মদুগী মতুং চহী অসিদা ৫রকশুবা ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবনি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 191**

**Petersen, Sophie (1515) - Bildat, Emilia (1736)**
**GER-ch Women 2021 Magdeburg, 2021.07.28**

| | |
|---|---|
| 1.e4 c5 | 2.Nf3 g6 |
| 3.c4 Bg7 | 4.d4 cxd4 |
| 5.Nxd4 Nc6 | 6.Be3 Nf6 |
| 7.Nc3 d6 | 8.Be2 O-O |
| 9.f3 e6 | 10.Ndb5 d5 |
| 11.cxd5 exd5 | 12.exd5 a6 |
| 13.dxc6 axb5 | 14.Qxd8 Rxd8 |
| 15.c7 Re8 | 16.Bc5 Bd7 |
| 17.O-O-O Rac8 | 18.Bd6 b4 |
| 19.Ne4 Nxe4 | 20.fxe4 Rxe4 |
| 21.Bd3 Rd4 | 22.Bg3 Bh6+ |
| 23.Kb1 Bg4 | 24.Bf2 Rxd3 |
| 25.Rxd3... | |

**QUESTION :**
**Black to win**

**Puzzle 190 Ans. :**
26. ...Qh2+ 27.Kf1 Rxf2+ The black rook attacks White's king, which is defending square g1. 28. Ke1 Qg1# Lawnmower mate

26. ...Qh2+ 27.Kf1 Rxf2+ 28.Ke1 Qg1#

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com